হফিজ সায়দনা হিন্দু 'টেরর' গী মতাংদা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট থাগৎপা ফোঙদোকখিবা লৈ ঃ রাজনাথ

ন্যু দেল্লি, জুলাই ৩১ ঃ

যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি য়াম্না অকনবা মওংদা কোংগ্রেস পার্টিদা হকথেংননা এটেক তৌরদুনা মমাংদা পার্টি অসিনা লুচিংদুনা লৈরম্বা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা হিন্দু টেরর হায়বা টর্ম অসি শীজিন্নদুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা লান থেংনরকপদা মপাঙ্গল শোন্থহনখি হায়না মরাল শিখ্রে।

মতম অদুগী হোম মিনিষ্টরনা থিজিন হুমজিনবগী থবক্তা অহোংবা অমা লৈহন্নবা হোৎনরকপদা 'হিন্দু টেরোরিজম' হায়বা অনৌবা টর্ম অমা শীজিন্নখি। মসিনা লৈবাক অসিনা টেরোরিজম থেংননবা হোৎনবদা পাঙ্গল শোন্থহনখি। পাকিস্তানগী হাফিজ সয়দনা মতম অদুগী হোম মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবা লৈ হায়না রাজনাথ সিংহনা কোংগ্রেস পার্টিগী পি চিদম্বরমদা রিফরেন্স পীরদুনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টদা মহাক্কী ৱারোল থমখ্রে।

টেরেরিজম হায়বসিদি টেরোরিজমনি। মসিদা লাইনিং লিচৎ, কাষ্ট হায়বা লৈতে হায়না হোম মিনিষ্টরনা গুরুদাসপুরদা চথরকখিবা টেরর এটেক অদুগী মতাংদা ঙসি লোক সভাদা থমখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মখা তানা হায়খি।

টেরোরিজম হায়বা য়াম্না শাথিবা ইশ্যু অসিগী মতাংদা হাওস অসি নাকপাক নাকপাক তাবা অমা ওইনা উহনখিবগীদমক্তা ওপোজিশন পার্টিবু মহাক্না সেন্সর তৌখি।

কুমজা ২০০৮ দা থোকখিবা মুম্বাই টেরর এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দ ওইরিবা হাফিজ সয়দ অসি ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী হেন্না ৱান্টেদ ওইরিবা মীওইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। মহাক পাকিস্তান্দা মনিং মখা তম্না কোইচৎ চৎতুনা লৈরি অমসুং ইতৎ তত্তনা এন্টি ইন্দিয়া ওইবা ৱারোল কয়া ফোঙদোক্তুনা খোইরাং খোইশাওনবা লৈহল্লি।

রাজনাথ সিংহনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা মখা তানা থমখিবা ৱাফম অমনা টেরোরিষ্ট ৩ না হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পঞ্জাবতা এটেক চথরক্তুনা মীওই ৭ শিহনখিবা অদু পাকিস্তান্দগী চংলকখিবনি হায়বগী মতিক চাবা ইভিদেন্সশিং লৈ হায়খি।

টেরোরিষ্টশিং অদু রবি তুরেল লান্থোক্লগা ইন্দিয়া তম্না চঙল্লিকখিবনি। রাজ্য সভাদা মহাক্কী ৱারোল থমখিবা মতমদা স্লোগান কয়া লাউদুনা কোংগ্রেস পার্টিনা য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া থোকহনখিবা ঙরাংগী থৌদোক অদুগা মান্নদবা মওংদা ঙসি মহাক্না থমখিবা ৱারোল অসিদা ওপোজিশন্না য়াম্না পুক্নিং চঙনা তাখি।

রাজনাথ সিংহনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট অদু থম্বা হেক লোইখিবগা রাজ্য সভাদা ঈরাং হৌরকখিবগা লোয়ননা ওপোজিশন লো মেকরশিংনা হাওসকী ৱেল নত্রগা সেন্তর তম্না চঙশিল্লক্তুনা চরাংনবা থোকহনখি। মতম অদু রাজনাথ সিংহনা কোংগ্রেস পার্টিবু এটেক তৌখিবা তাঞ্জাদনি।

ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা অসিগুম্বা ইকাইনিংঙাই ওইবা ফিভম অসি অমুক হন্না অয়াবা পীরোই হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি। কোংগ্রেস পার্টিনদি মিনিষ্টরগী ৱারোল অদুদা পাউখুম পীনবা হোৎনবদা অয়াবা পীখিদে। মখোয়না মমৈথংদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথকী ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা কোংগ্রেস পার্টিগী লিদরসিপপু গুরুদাসপুর টেরর এটেক্কী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা খন্নসি যাদে হায়বগী মতাংদা চৈ থাংবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি।

য়াকুব মেমোনগী লৈরোন চনবা য়াওখিবশিং টেরোরিষ্টশিং ওইরম্বা য়াই হায়না ত্রিপুরাগী গভর্ণরনা চয়েৎননিংঙাই ওইবা ৱাফম থমখ্রে

আগরটলা, জুলাই ৩১ ঃ

য়াম্না অৰাংবা থাক্তা চয়েৎননিংঙাই ওইবা ৱারোল অমা ওইনা, ত্রিপুরাগী গভর্ণর টাথাগত্ত রোয়না কুমজা ১৯৯৩ দা থোকখিবা মুম্বাই বোম ব্লাষ্টকী কনভিক্ট য়াকুব মেমোনগী থৰায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈরোন চনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবশিং অদু টেরোরিষ্টশিং ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টিলিজেন্সনা য়াকুব মেমোনগী থৰায় য়াওদ্রবা হকচাংগী মনাক্তা পুন্দুনা লৈখিবা মরী মতাশিং অমসুং য়াম্না নকশিন্নবা মরুপ মপাংশিং অদু চেকশিন মীৎয়েং থমগদবনি হায়না মহাক্না ত্বিট অমদা মখা তানা হায়খি।

ত্বিট অদুদা ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অদুনা চয়েৎনবা অমা ওইহল্লকখিবা মরক্তা গভর্ণরনা মহাক্কী ওইনদি মীয়ামগী সিক্যুরিটিগী মতাংদা মহাক্না নুংনাংবা ফাওই হায়বখক্তনি হায়না শেংদোক ৱারোল থল্লকখি। ত্বিটকী ৱারোল অদুনা য়াম্না চাউবা ৱাথোক অমা ওইনিংঙাই ওইরকপগা লোয়ননা গভর্ণর মশামক্না ৱাফম অদু শেংদোরকখিবনি।

য়াকুব মেমোনগীদমক্তা তেংথা নাওইবা ফোঙদোকখিবা মীওইশিংদা ইন্টলিজেন্সশিংদা মীৎয়েং চঙবা হায়বসিনা টেরর হায়বদু লাকশিনবা হায়বসি থিংহৌবনা লায়েংবদগী হেন্না ফৈ হায়বদুগুম্বনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্টিলিজেন্সনা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়না ৱাফম অমা থমখিবা মতমদা ঐহাক্না কনাগুম্বা কম্যুনিতি অমত্তা পনবা লৈখিদে। মরম অসিনা মতৌ করম্না ঐহাক কম্যুনেলগী ওইবা মীওইনি হায়না মরাল শিগদৌরিবনো?

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবা অমনা, মহাক্কী ওইনদি মীয়ামদা নোটিশ পীনবগীদমক্তা পব্লিক ইন্টরেষ্টকী ওইবা ৱাফমশিং অদু পুথোকপা হায়বসি মহাক্কী মথৌনি হায়বা ৱাফম থমখি। গভর্ণর অমা ওইনা লৈরিবা ঐহাক্কী পোজিশন অসি কম্প্রোমাইজ তৌবা য়াদবা অমনি। মখোয়না খল্লিবা ৱাখল্লোনশিং অদু ঐহাক্না হায়খিবা লৈতে। অমসুং ঐহাক্না কনাগুম্বা কম্যুনতি অমদা এটেক তৌবা ৱাফমসু ফোঙদোকখিদে হায়না মহাক্কী মাইকৈদগী থাদোরকখিবা ত্বিটশিংদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াই, রোয়না কুমজা ২০১৫ দা ত্রিপুরাগী গভর্ণর ওইনা ওফিস পুবা হৌরকখিবনি। মহাক অসি ভারতিয়া জনতা পার্টিগী নেশনেল একজিক্যুটিভকী মেম্বর ওইনা কুমজা ২০০২ দগী লৈরকখি অমসুং কুমজা ২০০২ দগী কুমজা ২০০৬ ফাওবা বি জে পি বেঙ্গলগী প্রসিদেন্ট ওইরকখি।

কোল স্কাম ঃ মধুকোরা, অতৈ অতোপ্পা মীওই ৮ ৱায়েল চথরগনি

ন্যু দেল্লি, জুলাই ৩১ ঃ

হান্না ঝরখণ্ডগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মধুকোরা, হান্নগী কোল সেক্রেটরি ঐচ সি গুপ্তা অমসুং অতৈ অতোপ্পা মীওই ৭ দেল্লিদা লৈবা স্পেসল কোর্ট অমনা কোল ব্লোক এলোকেশন তৌখিবদা ইরিগ্যুলরিটিশিং লৈখি হায়বা কেসকা মরী লৈননা ৱায়েল চথরগনি।

স্পেসল সি বি আই জজ ভারত পরাসরনসু হান্নগী ঝরখণ্ডগী চীফ সেক্রেটরি এ কে বাসু, পব্লিক সার্ভেন্ট অনী মথঙশিংনা বসন্তকুমার অমসুং বিপিন বিহারি সিংহ-বিনি আইরন এন্দ ষ্টিল উদ্যোগ (ভি আই এস য়ু এল), মসিগী দাইরেক্টর ৱাইবক টুলসিয়ন, কোরাগী য়াম্না নকশিন্নবা মীওইনি হায়রিবা বিজয় জ্যোসি অমসুং চার্টর একাউন্টেন নবিনকুমার টুলসিয়নগী মথক্তা কেস অসিগা মরী লৈননা চার্জশিং ফ্রেম তৌখ্রে।

এক্ক্যুজশিং অসিনা মখোয়গী মায়োক্তা থাঙ্গৎলিবা চার্জশিং অদুদা মরাল লৈতে হায়না ৱাকৎপা লৈখিদে অমসুং মখোয়না এদমিন/দোক্যুমেন্টশিং পুথোকউ হায়বা য়াদবগীদমক্তা ওগষ্ট ১৭ তা ৱাফম অসিগী মতাংদা ফিক্স তৌরবা মতুং বিচার চথনবা ক্লেইম তৌখিবনি।

তোঙান তোঙানবা এক্ক্যুজ ওইরবা মীওইশিংগী মথক্তা চার্জ কয়াসু তোঙান তোঙান্না থাঙ্গৎখ্রে। কোর্টকী মাইকৈদগী আই পি সিগী সেক্সন ১২০-বি (ক্রিমিনেল কন্সপিরেন্সি) গী মরাল লৈরে হায়বগীদমক্তা বিচার চথনবা ওর্দর তৌখি। কোর্টনা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না গুপ্তা হায়রিবা মীওই অসিসু আই পি সিগী সেক্সন ৪০৯ (ক্রিমিনেল ব্রিচ ওফ ত্রষ্ট বাই পব্লিক সার্ভেন্ট) গী মখাদা মরাল লংজখি হায়বগী প্রাইমাফেসি ওইরে হায়খি।

ৱাইবাব টুলসিয়ন, জ্যোসি অমসুং ভি আই এস এলসু আই পি সিগী সেক্সন ৪২০ গী মখাদা মীনম্বা নমথাক চথবগী মরাল লৈরে হায়বগী প্রাইমাফেসি ওইরে হায়খি।

প্রিভন্সেন ওফ করপসন এক্টকী রিলিভেন্ট ওইবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা চার্জশিং অদু পব্লিক সার্ভেন্ট মঙা হায়বদি মধুকোরা, ঐচ সি গুপ্তা, এ কে বাসু, বিপিন বিহারি সিংহ অমসুং বসন্তকুমার ভট্টচার্জিগী মথক্তা থাঙ্গৎখিবনি। থা অসিগী হৌখিবা ১৪ দা, কোর্টনা এক্ক্যুজশিং অসি বিচার চথনবা ওর্দর তৌখি।

সি বি আইনা থাঙ্গৎলকখিবা চার্জসিট অদুদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ভি আই এস য়ু এলনা রাঝারা নোর্থ কোল ব্লোক অদু কুমজা ২০০৭ কী জানুৱারি ৮ দা মতমদুগী কোল মিনিষ্ট্রিদা এলোকেশন তৌনবগীদমক্তা এপ্লাই তৌরকখি হায়খি।

সি বি আইনা মখা তানা মরাল শিরিবদি, ঝরখণ্ড গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টিল মিনিষ্ট্রিনা কোল ব্লোক এলোকেশনগীদমক্তা ভি আই এস য়ু এলগী কেস রিকমেন্দ তৌখিদবা লৈরগসু ৩৬ শুবা স্ক্রিনিং কম্মিটিনা কোল ব্লোক অদু এক্ক্যুজ ওইরিবা ফর্মদা রিকমেন্দ তৌখি হায়বসিনি।

আই এস আইনা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা থাইলেন্দ-ম্যান্মার বোর্দরদা টেরোরিষ্টশিং ত্রেনিং পীখি

ন্যু দেল্লি, জুলাই ৩১ ঃ

পাকিস্তানগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্সি ওইরিবা ইন্টর-সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই) না হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পঞ্জাবকী গুরুদাসপুর দিষ্ট্রিক্তা লৈরিবা দিননগর টাউন্দা এটেক চথখিবা টেরোরিষ্টশিং অদু ত্রেনিং পীখি হায়না পাউগী লিখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

লিখুনশিং অসিনা মিদিয়াদা মখা তানা ফোঙদোক্লদুনা পল্লিবদি, আই এস আইনা টেরোরিষ্টশিং অদু নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা থাইলেন্দ-ম্যান্মার বোর্দরদা ত্রেনিং পীখি হায়বসিনি। মখোয় তরুক্কী মনুংদা, টেরোরিষ্ট অহুম্না পঞ্জাবতা এটেক চথখিবনি অমসুং মখোয় অহুম্মক হাৎখিবনি।

অতৈ অতোপ্পা অনীনা পাকিস্তান্দা হাৎখি অমসুং অতোপ্পা অমনা ফাখি। যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা থা অসিগী হৌখিবা ২৭ তা দিননগরদা চথরকখিবা টেরোরিষ্ট এটেক অদু পাকিস্তানগী দায়ত্বনি হায়না ঙরাং ফোঙদোকখিবনি।

ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়েক্লবশিংনা মখল অমগী ষ্ট্রাইক চথরকপা মতমদা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সকী মাইকৈদগী য়াম্না হকচিনবা অমসুং শক্তি লৈবা মওংদা পাউখুম পীগনি হায়বা ৱাফমসু থমখিবনি। রাজ্য সভাদা ফোর্মল ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমা থল্লদুনা হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদি, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টগী মাইকৈদগী টেরোরিজম হায়বসি লৈবাক অসিগী লৈমাইদগী মরু ফংনা মুথৎকনি হায়বগী অচেৎপা ৱাশক লৈ হায়খি।

মিনিষ্টরনা টেরোরিষ্টশিং অদুনা মতৌ করম্না ইন্টরনেশনেল বোর্দর লানশিল্লগা ইন্দিয়াদা চঙলকখিবনো হায়বগী অকুপ্পা ৱারোলদু থমখি।

অনৌবা টালিবান চীফনা মুলাহ্ ওমার লৈখিদবগী মতাংদা অতোপ্পশিংদা মীনম্লে ঃ রিপোর্ট

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ৩১ ঃ

টালিবানগী নৌনা হাপখিবা চীফ মুলাহ অকটর মন্সুরনা হৌখিবা চহী অনীরোম অসি মুলাহ মোহম্মদ ওমারদগী মেসেজশিং অমসুং ওর্দরশিং থারকপনি হায়না ক্লেইম তৌদুনা মরুপ মপাং ওইনা লোইনরিবা ইন্সর্জেন্টশিংবু অমন্বা মফম অমদা থমদুনা লৈহল্লকখি। কুমজা ২০১৩ দা মহাক্কী বোসতি লৈখিদ্রে হায়বসি মিদিয়ানা পীবা রিপোর্ট অমদগী খঙলকখিবা লৈরগসু মহাক্না লোয়নরিবা ইন্সর্জেন্টশিংদা মীনম্বগী থবক চথদুনা লাকখিবনি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমতা ফোঙদোলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মুলাহ ওমারগী ষ্টৈন্দর অমসুং মহাক্কী অরোইবা ওইখিবা চহীশিংদা থমখিবা থোইদোক হেন্দোকপা থৌরাংশিং অদু য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা লৈখি। হায়-রেক্কিং টালিবানগী মীওই খুজোক খরখক্না মখোয়গী লুচিংবগী মনাক্তা চঙবা য়াহল্লি অমসুং কুমজা ২০১৩ গী ময়াই চল্লকপা অদুৱাইদা মখোয়গী মশিং অদু শুপ্পগী অমখক্তদা হন্থহন্দুনা মুলাহ অখটর মন্সুরনা লুচিংবা ওইরকখি। মহাক অসি ইন্সর্জেন্সিগী ঈহৌদা নম্বর টু ওইরম্বনি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লন্দুনা মুলাহ মন্সুরগী মাইকৈদগী ফোঙদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অদুনা মুলাহ ওমরগী মচানুপা মুলাহ য়াকুব অমসুং মহাক্কী ময়াম্বা মুলাহ অবদুল মাননগী মতাংদসু চিংনবা লৈহল্লকখ্রে। মখোয় অনীমক অসি হান্নদি মুলাহ ওমরগী মনাক্তা চঙথোক চঙশিন তৌরম্বনি অমসুং মহাক লৈখিদ্রে হায়বসিনা মরম ওইরগা মখোয়বু লাপ্না থম্লকখিবনি হায়বসি থাজে হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকপা হৌরকখিবনি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লিবা অমনা, মখোয়গী মরক্তা খন্ন নৈনবগী ৱাফম কয়া লৈরকখিবা অসিদা নেসনেল দাইরেক্টর ওফ সিক্যুরিটিনা য়াম্না ইনিসিএল ওইবা লিখুন অমা লৌখৎপা ঙমখ্রে হায়না আফগান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মসিনা পীরিবা ৱাহন্থোক অদুদি মুলাহ মন্সুরনা হৌখিবা চহী ২ রোম অসি মহাক্কী ফেলো ইন্সর্জেন্টশিংদা মীনমদুনা লৈরকখি হায়বসিনি। অৰাংবা থাক্কী টালিবান লুচিংবশিংগা মরী লৈনরিবা আফগান অমনা কুমজা ২০১৪ গী নীংথম থাদা আফগানিষ্টানগী ইন্টিলিজেন্স সার্ভিসতা মুলাহ ওমর অসি করাচিদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে হায়বা লিখুন অমগা লোয়ননা চঙশিল্লকখি।

অসিগুম্বা লিখুন অসি নেসনেল দাইরেক্টর ওফ সিক্যুরিটিগী মফমদা য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা লৈরকখিবগা লোয়ননা মদুবু থিদোক থিজিন তৌনবা হোৎনবদা থা ১৮ চঙখি। অমেরিকান ওফিসলশিংগী ৱারোল মতুং ইন্নদি ওমারনা ইন্সর্জেন্সিগী ঈহৌদা রোল লৌরকখিবা অসি প্রাইমারি ওইনা স্পিরিচুএল ওইবনি হায়না মতম কয়াগী মমাংদগী থাজদুনা লাকখি।

মহাক্না টালিবানগী মথক্তা ওপরেশনেল কন্ত্রোল তৌদে হায়বসিদা মখোয়না থাজদুনা লাকখিবনি। মুলাহ ওমার অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না ৱান্টেদ ওইরিবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্কী মকোক্তা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১০ গী মনা অমা অমেরিকানা লাউথোক্তুনা লৈরিবনি। অমেরিকানা মুলাহ ওমার লৈখিদ্রে হায়বসি ঙরাংখক্তমক ওফিসল ওইনা য়ানিংবা ফোঙদোরকখি।

এন্টি-বোকো হরাম ওপরেশন্দা মিলিটেন্ট ১০০ হেন্না হাৎখ্রে ঃ চাদ আর্মি

এন'জমেনা, জুলাই ৩১ ঃ

লেক চাদকী আইলেন্দদা লৈবা বোকো হরাম ইস্লামিষ্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেশন অমা চথখিবা মনুংদা য়ামদ্রবদা জিহাদিষ্ট ফাইটর ১০০ হেন্না হাৎখ্রে হায়না চাদিয়ন আর্মিনা ঙসি থোকখিবা ৱারোল অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

ওপরোন অদুগী মনুংদা টেরোরিষ্ট ১১৭ হাৎখিবগা লোয়ননা চাদিয়ন লান্মী অনী শিখি অমসুং অতোপ্পা লান্মী অনীনা অশোক অপন নংখি। ওপরেশন অদু নাইজেরিয়াদা বেজ তৌবা মুভমেন্ট অমগী মায়োক্তা চথখিবনি।

অসিগুম্বা জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তা চথবা ওপরেশন অসি ঙসিদগীনা চয়োল অনীগী মমাংদগী হৌরকখিবনি হায়না আর্মিগী ৱাঙাংলোই কর্নেল অজেন বর্নেনদোৱা ওগোনানা ফোঙদোরকখি। চয়োল অনী রোম বোকো হরাম টেরোরিষ্টশিংনা য়াম্না শান্তি ওইনা লৈজবা সিটিজেনশিংদা এটেকশিং চথনবগীদমক্তা লেক চাদতা লৈবা ঐখোয়গী আইলেন্দদা লোন্না চঙশিন্নবা হোৎনরকখি হায়না অজেন্না মখা তাখিবগা লোয়ননা জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেশন মখা তানা চথরি হায়খি।

লেক চাদ অসি চাদ অমসুং অৰাং নোংপোক থংবা নাইজেরিয়াগা লোয়ননা কেমেরুন অমসুং নাইজরদা মখা তানা অৰাং লোমদা শম্নহল্লিবা য়াম্না ষ্ট্রেটেজিক ওইবা রিজন অমা ওইরিবনি। বোকো হরাম্না লৈবাক মরি অসিগী মথক্তা রেদশিং অমসুং সুইসাইদ বোম্মিংশিং চথদুনা লাকখি। লৈবাক মরি অসিনা বোকো হরামগী মুভমেন্ট লাকশিন্নবগীদমক্তা বেনিন য়াওনা মিলিটরি এলাইন্স অমা শেমখ্রবনি।

ঐখোয়গী আর্ম ফোর্সেস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অসিগুম্বা আইলেন্দশিং অসিদা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিং ন্যুত্রেলাইজ তৌনবগীদমক্তা য়াম্না পাক চাউবা মওংগী ওফেন্সিব লোঞ্চ তৌখ্রে হায়না অজেমনা মখা তানা হায়খি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ওপরেশন অসিগী মনুংদা লৈখিদবা মীওইশিংগী চপ চাবা মশিং অদু হায়বা ঙমদনা লৈরি। হি কয়া অমসু মাঙ তাকহনখ্রে অমসুং তোঙান তোঙানবা কালিবরশিংগী খুৎশু খুৎলায়শিংসু ফাগৎলে হায়না কর্নেল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চথরিবা ওপরেশন অসি মরু ওইনা কোংয়া, মেরিকোটা চৌৱা অমসুং গ্লারিগুইদা লৈবা আইলেন্দ খুঙ্গংশিংদা টার্গেট তৌবনি হায়খি।

চাউরাক্না চাদিয়ন লান্মী ১০০০ রোম লেক চাদতা দিপ্লোই তৌদুনা আইলেন্দ পুম্বা পায়শিন্নবা অমসুং বোকো হরাম ন্যুত্রেলাইজ তৌনবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়নসু সিক্যুরিটি সোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
দিপার্টমেন্ট ওফ পেন্সন এন্দ পেন্সনরস' ৱেলফ্যের

পেন্সনরশিংগীদমক অধার হাপচিনবা চয়োলগী থৌরম পাঙথোকপা
(ওগষ্ট ২০১৫, চৈচৎ ১ দগী ৭ ফাওবা)

পেন্সনরশিংনা লাইফ সার্টিফিকেট পীশিনবা অদু তরাম্না
ওক্লবগীদমক লাইফ সার্টিফিকেটশিং
সিষ্টমদা বেজ তৌবা 'জিবন প্রমান' হায়বা অধার অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

- বেঙ্কশিংনা **ওগষ্ট ২০১৫ গী চৈচৎ ১ দগী ৭ ফাওবা পেন্সনরশিংগীদমক অধার শীদিং ৱিক থৌরম পাঙথোক্লি।** জিবন প্রমান ফেসিলিটি শীজিন্ননিংবা পেন্সনরশিং অমসুং মখোয়গী অধার নম্বর অদু মখোয়গী পেন্সন একাউন্টদা হৌজিক ফাওবা চনদ্রিবশিংনা ওরিজিনেল পি পি ও, অধার কার্দ অমসুং বেঙ্ক পাসবুক অমদি দোক্যুমেন্টশিং অসিগী ফোটো কোপিশিং য়াওনা মখোয়গী পেন্সন য়েন্থোক্লিবা ব্রাঞ্চতা চৎপিয়ু।
- 'জিবন প্রমান' অসি লাইফ সার্টিফিকেট পীশিন্নবগীদমক্তা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা অতৈ অতোপ্পা ফেসিলিটিশিংদা অহেনবা ওইনা হাপচিল্লকপা।
- মখা তাবা অকুপ্পা ৱারোলগীদমক্তা ভিজিট তৌবিয়ু

http://www.jeevanpramaan.gov.in

HL-B/2573/1to30/7

ꯇꯦꯡꯄꯥꯡꯄ/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুননবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগ্নু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্না, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিং কাবা, চব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোঙ হাম্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ঙসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কক্ষ চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কক্ষ চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিভৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনাম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

(য়ু করম্না থাদোক্কনি)
য়ুনা এদিক্ট ওইদুনা অদোমগী ফেমিলিদা অৰাবা ওইরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু

(গুপ্তা টুঠ পাৱদর (য়াগী হিদাক)
পাৱদর অসি শিজিনরগা অমদি য়া নাবা, ঈ থোকপা, য়ারি পোমখৎপা, য়া মুশিনবা নত্রগা হঙ্গামপাল কাশিনবা ফবা ঙম্মী অমদি য়া ঙৌনা অমসুং শেংনা লৈগনি। য়ারি নাই চাবা ফগনি।
* মমল লুপা ৪০ খক্তনি। হায়রিবা হিদাক অসি অদোম্না লৈবা অমসুং য়োনবীবা ঙমগনি নহাক্কী লোকেলিটিদা। য়া মখোং শেংনা থম্বা ঙমগনি। * কম্মিশনসু পীজগনি।

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
Khuyathong, Imphal-795001

CAS
Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Outstanding CASIANS in the BOSEM Exam. of 2015
Altaf Hussain
Th. Bronash Singh
Suleman Arsar
Th. Priyadarshini
Outstanding CASIANS in the COHSEM Exam. of 2015
N. Narendra
W. Archana
New Batch
ADMISSION OPEN
CLASS X(New 2nd Batch)
CLASS XI(New 2nd Batch)
CLASS XII(New 3rd Batch)
Limited Seats
First come First Serve
For details Contact CAS office
Hostel for Boys and Girls available
HL-B/2621/29,31,2,4,6

Monsoon Offer JSP 20
Android Phone at just
Old price Rs: 2999/-
Rs: 1999/-
ꯇꯦꯡꯄꯥ
PREINSTALLED WhatsApp
Screen Size : 8.89 cm (3.5")
SIM : Dual SIM
Processor : 1GHz
Storage Capacity : Expandable upto 32 GB
Camera : 2.0 MP
Sensor : Accelerometer Sensor
Limited Stock
JSP Q56
JSP 38
JSP 47
ꯇꯦꯡꯄꯥ jivi mobiles
1.2 GHz Quad Core
Display 4.5 inch
SIM - Dual Sim 3G
Android 4.4.2 Kitkat
Camera 8MP With Flash & 2.0 MP
Sleek & Slim
High Speed
Just Rs. 5499/-
Android 4.4.2 Kitkat, 4 inch Display, 3G
1 GHz Processor, 5 MP With Flash, Slim, High Speed
Just Rs. 3999/-
High Speed 3G
Android 4.4.2 Kitkat, 4.5 inch IPS Display, 1 GHz Dual Core, RAM 512 ROM 4 GB, 5 MP With Flash, Sleek & Slim
Just Rs. 5299/-
Corel Draw নিংথিনা হৈবা মিওই অমা পামজে। Contact : Fastrack Printers, Paona Bazar, Near Blue Bell Fashion
HL-B/2591/13/7-12/8